# নোংজুথা মতমদা ব্রোইলরশিং শেন্নবা

ডো: সরাংথেম জেসমারানি

নোংজু থা মতমদা ব্রোইলরশিং অসি ফজনা চেকশিন্না য়োকহৌদ্রগদি শিবগী চাং য়াম্না ৱাংহল্লি। মরম অসিনা মখাদা পীজরিবা কাঙলোন অসি নিংথিনা পায়খৎপীরগা চেকশিন্না শেন্নবীবনা য়েন শিবগী চাং য়াম্না হন্থে।

ক) নোংজুথা মতমদদি শিবগী চাংসি ৱাংবতা নত্তনা ওমচাক্লবা অমসু য়াওই। মরম অসিনা লায়না থোকহনবা ঙম্বা মহীক্কী মশীংসু ৱাংহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা লায়না কয়া থোকহল্লি। মরম অসিনা য়েন থল্লিবা য়েনগোনশিংসি ফজনা লূ-নান্না চেকশিন্না থম্বীবা দরকার লৈ।

খ) য়েনগোনগী সাইদ ৱালশিংসি নোং চুরকপা মতমদা নোং হাইজিন্দনবা পোলিথিন সীট অমনা মকোন অকোয়বদা খাজিনবীগনি। নোং হাংলকপা মতমদনা পোলিথিন সীটশিংদু হাইগৎপীরগা নুংশিৎ নুংশা চঙহনবীগদবনি।

গ) করিগুম্বা মকোন্দু নোং হাইজিন্দুনা চোৎপা তারগদি মদুগী লায়না কয়া অমা খুদম ওইনা হায়রবদা Coccidiosis, Enteritis, Worm Infestation Diarrhoea অসিনচিংবসি থোকহনবা ঙম্বা মহিক ময়াম অমগী মশীং য়ামহল্লি। করিগুম্বা মতমদসু নোং হাইজিন্দুনা য়েনগোন্দু চোত্তুনা য়েন্থিশিং অদু মপাক-মপাক নপশিন্দুনা লৈবা তারবা নৎত্রগা য়েনগোন্দু চোৎখিবা তারগসু য়েনগোন্দু কংনবা অমদি মহীক শিনবা য়েনগোন্দু শুনু চাইবীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফবা পান্থে অমা ওইহল্লি।









ঘ) য়েনগোনগী অকোয়বদা মিটর ৩ মুক্কী এরিয়াদা নাপীনচিংবা অশং-অমান থাবিরোইদবনি। মসিনা লায়না শন্দোরকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

ঙ) নোংজুথা মতমদদি তীল কাং অমদি হয়িংগী চাংসি অদুক্কী মতিক ৱাংই। মসিনা লায়না পোকহনবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মরম অসিনা অসিগুম্বা হয়িং, তীল, কাংদগী য়ারিবমখৈ ঙাকথোক্লবা দিসইনফেক্টেন্ট ময়াম অমা শীজিন্নবীগনি।

চ) য়েনগোনগী অকোয়বদা কোমগুম্বা নৎত্রগা ঈশিং তুংগদবা জগা অমত্তা থম্বীরোইদবনি। মসিনা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈরগদি মহীক ময়াম অমা পোকহন্দুনা লায়না কয়া শন্দোক্লবগী পান্থে অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা অসিগুম্বা ময়াম অসি মকোন মনাক্তা থম্বীরোইদবনি।

ছ) নোংজুথা মতমদা য়েনদা পীথক্কদবা ঈশিং অসি মহিক মতাই য়াওবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। মরম অসিনা য়েন্দা পীথক্লবা ঈশিংসি ব্লিচিং পাওদর নৎত্রগা মসিগা মান্নবা হীদাক শীজিন্নবীরগা পীথকপীগদবনি।

জ) য়েনগোন কূপ্পা জিজ্ঞ অসি অতোপ্পা পোৎলম কয়া শীজিন্নদুনা মকোন্দগী চুমথরকপা ঈশিং অসি নলাদা ফজনা চেন্থহনবীগনি।

ঝ) নোংজুথা মতমদদি হ্যুমিদিটি য়াম্না ৱাংবা মরম্না পীজগদবা মচিঞ্জাক্তা কোকফাই কাবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মরম অসিনা পীজবীগদৌরিবা মচিঞ্জাকশিং অসি কোকফাই শুজা কাদনবা মফম চাবা জগা অমদা থম্বীগনি অমদি নুংশা শাবা মতমদা পুথোকপীরগা নুংশাদা ফৌদোক্লগা পীজবনা কান্নবা য়াম্না হেল্লি। কোকফাই কাবা মচিঞ্জাক য়েনদা পীজরগদি Aflatoxecosis, Diarrhoea হায়রিবা লায়না অসি থোকহল্লি।

মথক্কী কাঙলোন কয়া অসি শীজিন্নদুনা হেন্না শেন্দোং লৈনা অমদি শিবগী চাং হন্থহন্দুনা য়েন য়োকপীগনি। ●

# মণিপুরগী ফিসরিজ সেক্টরদা কোভিদ-১৯না পীরিবা চৈথেং

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

মণিপুরগী ওইনদি কোভিদ-১৯না ফিসরিজ সেক্টরদা অচৌবা চৈথেং পীদে। তৌইগুম্বসুং খুদোংচাদবা খরমখৈদি মায়োক্লরি।

ইন্দিয়াগী ওইনদি অচৌবা চৈথেং কয়া মায়োক্লরি। খুদম ওইনা হায়রবদা লৈবাক অসিদা মীওই মিলিয়ন তরাতরুকলোমগী হিংননবা শেন্দান লম্বী ওইরি অমদি সমুদ্রগী ঙাগী পোত্থোক অসি মপান লৈবাকশিংদা লুপা ক্রোর চনিকুনমরি নোংমদা য়োল্লি। মরম অদুনা থা অমদা লুপা ক্রোর লিশীং তরুক্কা চানিপাল কুন্থ্রানিপালরোমগী অমাঙবা ওইরি। লোকদাউন লাউথোরক্ত্রিঙৈ মমাঙদা সমুদ্রদা ঙা ফাবা চৎখিবা মীওই কয়ানা ফারকপা ঙা য়োনফম লৈতবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লখি।

**মণিপুরগী ওইনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা খরা হায়রগদি :-**

(১) অফবা মখলগী ঙা মচা ফংদবা হায়বদি মোনোসেকস তিলাপিয়া, জয়ানটি রোহু, গীফ্ট চিলপিয়ানচিংবা সেলেক্সন ব্রিদিং তৌদুনা পুথোকপা ঙাগী মচাশিং অসি মপান লমদগী পুশিল্লকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবনা মরম ওইদুনা অফংবা ঙা হেক্তা য়োক্লখিবা কয়াসু য়াওরি।

(২) ঙাগী মচিঞ্জাক ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি। মণিপুরদা ঙাগী মচিঞ্জাক অসি পুথোক্লবগী খুদোংচাবা লৈতবা মরম্না মপান্দগী পুশিল্লকপা মচিঞ্জাক ফংনদবা, করিগুম্বা ফংবা তারবসু লৈবা চৎপগী খুদোংচাবা কয়াসু মায়োক্লরি।

(৩) হোর্মোন ফংদবনা মরম ওইদুনা অঙনবা মতমদা পুথোক্কদৌবা ঙা মচা পুথোকপা ঙমদবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি।

(৪) ঙা মচা কোকহন্ননবা মপিশিং পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি।

(৫) ঙা য়োনবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি।

(৬) ঙা য়োকপা অমদি ঙা ফাবদা চৎকদবা মীওই মতিক চানা ফংদবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি।

(৭) ঙা লৈবা ফংদবা অমদি মমল তাঙখৎলকপা।

(৮) হান্না চানরম্বা ঙাগী চাংদগী হন্থনা চাবনা মরম ওইদুনা ঙাদগী ফংবা প্রোটিনগী শরুক ৱাৎপা কয়াসু মীওই কয়াদা লৈরক্লগনি।

ঙসি ফাওবদা ঙা অমদি ঈশিংদা লৈবা জিবশিংনা কোভিদ-১৯ অসি শন্দোরকই হায়বগী পাউদি লৈত্রি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা নোভেল কোরোনাভাইরস অসি অকনবা সর্ফেস অমদা পুং ৮দগী ১২ ফাওবা হিংবা ঙম্মী অমদি ঈশিংদা পুং ২৪ হিংবা ঙম্বা মরম্না ঙা য়োকপা অমদি ঙা ফাবগী থবকনচিংবা কয়া পায়খৎপা মতমদা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎপগী তঙাইফদবা কয়া লৈরি। মখোয়শিং অদুদি :-

(ক) ঙাগী ফর্ম অমদি মসিগী থবক তৌবা মফমদা অতোপ্পা মীওই চঙহন্দবা।

(খ) মাস্ক শীজিন্নবীবা।

(গ) হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবীবা নৎত্রগা সাপোন শীজিন্নদুনা খূৎ-শা শেংনা হান্বীবা।

(ঘ) থবক তৌবা মতমদা মীওই অমগা মীওই অমগগী অরাপ্পসি য়ামদ্রবদা মিটর অমা ওইহনবীবা।

(ঙ) ফর্মদা থবক তৌরুরগা য়ূমদা চঙলমদাইদা সাপোন শীজিন্নদুনা ফজনা ইরুজথোক্লগা চঙবীবা। য়ারগদি ঈশিং লুম্বু-লুম্বু শাবা শীজিন্নবীবা।

(চ) ফর্মদা শীজিন্নবা খূৎশু-খূৎলায়শিং Sodium hypochloride (Nacl) 0.25% শীজিন্নদুনা মহিক-মতাই হাৎপা নৎত্রগা ঈশিং লিটর ১০দা ব্লেচিং পাওদর গ্রাম ১৫দগী ২০ ফাওবা হাপ্লগা চাইথোকপীদুনা মহিক-মতাই হাৎপীগদবনি। হায়রিবা ব্লেচিং পাওদর অসি থবক শূরিবা মফম, পুখ্রিগী মপান অমদি ফর্মগী অকোয়বদসু চাইথোকপীগদবনি।

(ছ) ঙা য়োনবা মতমদসু অতৈ চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা অকক্লবা মফমদা অকক্লবা মতম অমদি অকক্লবা নুমিৎ খাইদোকপীগদবনি।

ফিসরিজ সেক্টরদা থেংনরিবা খুদোং চাদবশিং অসিদগী খরদা ওইরবসু ফগৎহনবা ঙম্নবা ইন্দিয়াগী ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমননা মে ১৫দা লাউথোকখি মদুদি Pradhan Mantri Matsya Sampada Yojana (PMMSY) গী মখাদা য়ু এস দি ২.৬ মিলিয়নগী শেন্থং ঙামীশিংদা ফংহল্লগনি। মরম অদুনা মণিপুরগী ঙামীশিংসু খরমখৈদি খুদোংচাবা ফংলগনি হায়না আশা তৌরি।

মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং অসি ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং/Bioflor Technology/Aquapanies/Terrace farming/Urban Technologies নচিংবা থৌওং কয়াদা পূক্নিং চিংশিনহনবা ঙম্লবদি তুংদা থোক্লক্কদৌবা পেন্দেমিক কয়াদগী খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়না খল্লি। ●

# ফৌ পাম্বীদা হার হাপ্পা

ডো. ৱাইখোম জিতেন



লিশাং শিংনা লৌউবগী শিনফম পায়খৎলকপা অমদি হেন্না চাথোক লৈবা, লৈবাক লৈহাও হেন্না চুপখৎখিবা ঙম্বা পাম্বীশিং কুইনা শীজিন্নরকপনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী লৌফমদা মহৌশাদগী লৈরকপা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইগদবা লৈহাওগী চাং অসি অসুক্কী মতিক নেমখ্রে। অমরোমদা পাম্বীশিংনা মথৌ তারিবা মচিঞ্জাক্কী চাং অদু ফংবা ঙমদ্রবদি পাম্বীশিংনা মপূং মরৈ ফাদুনা পোত্থোক চাথোক মপূং ফানা পুথোকপা ঙমদদুনা চাথোক হন্থহল্লি। পাম্বীশিংনা দরকার লৈরিবা মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা মচিঞ্জাক মখল খরদি পাম্বীশিংনা হেন্না দরকার লৈবনা মরম ওইদুনা লৌফমদগী মচিঞ্জাক য়াম্না লৌথোকখিদুনা অয়াম্বা লৌফমদা ৱাৎলি। অসিগুম্বা লৌফমদা ৱাৎলবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখলশিং অসি ঐখোয়না ষন্থি, ষণয়ুং, নাপি-শিংবীদগী শেম্বা হার নৎত্রগা খূৎশেমগী ওইবা হারশিংনা মহুৎ শীনজিনবা নত্তনা ফংফম থোকপা পোত্থোক-চাথোক অদু য়ৌবা ঙমলোই। নাইত্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশ হায়রিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখলশিং অসি পাম্বীশিংনা হেন্না দরকার লৈবদগী লৌথোকখিবনা লৌফম অয়াম্বদা মচিঞ্জাক ৱাৎলি। ষন্থি, ষণয়ুং অমদি নাপী-শিংবীগী হারশিং মরাং কায়দবনা মরম ওইদুনা লৌফমদা ৱাৎলবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখলশিং অসিগী মহুৎ খূৎশেমগী হারনা মহুৎ শিনবা তারকই। অসুম তৌনা ৱাৎলবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসি ফংহন্নবা ঐখোয়না য়ুরিয়া, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট অমসুং ম্যুরেট ওফ পোটাশ অসি শীজিন্নে। তোঙান-তোঙানবা হারশিং অসিগী তৌবা ঙম্বা অমদি শীজিন্নফম খেন্নবগী মতুংইন্না হারশিং অসি হাপ্পগী মওং অমদি মতম খেন্নগনি।

য়ুরিয়া হায়রিবা হারগী মখল অসি নাইত্রোজেন হায়বা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচল অদু য়াওই। নাইত্রোজেননা পাম্বী অমগী মনা/মউ চাউখৎহল্লি, পাম্বীগী মনাগী শংবগী চাং হেনগৎহন্দুনা নুংশা মঙালগী মতেংনা মচিঞ্জাক শুংবদা মতেং পাংহল্লি। নাইত্রোজেন হাপ্লবা পাম্বীনা ফোসফরস, পোটাশ অমদি কেলসিয়ম চিংখৎপদসু মতেং পাংই। পাম্বীদা য়াওরিবা প্রোটিন, ভিটামিন, এঞ্জাইমশিং অমদি হোর্মোনশিং শেম্বদা নাইত্রোজেন অসি চঙই।

সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতা ফোসফেট, কেলসিয়ম অমসুং সলফরনা মপূং ওইবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচল ওইনা য়াওই। মসিদা ফোসফেট ১৬%, সলফর ৮-১২% অমদি কেলসিয়ম ১৮-২১% ফাওবা য়াওই। ফোসফরসনা পাম্বীগী মরূ অমদি মরা ফগৎহন্দুনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখল শুনা অমদি য়াম্না লৌখৎলি। মসিনা ফৌ মচা পোকপা অমদি থুনা মপূং মরৈ ফাবদা মতেং পাংই। ম্যুরেট ওফ পোটাশতা পোটাসিয়ম অসি পাম্বীগী মরু ওইবা মচিঞ্জাক অমনি। মসিনা পাম্বীবু মশা কনশিলহন্দুনা লায়না তিলনাদগী ঙাকথোকই অমদি হেন্না মরূ চঙহন্দুনা পোত্থোক হেনগৎহল্লি। য়ুরিয়া হায়রিবা হার মখল অসি ঈশিংদা থুনা তুম্বা অমদি মফম অমদগী মফম অমদা য়াম্না থুনা চৎপা ঙম্বনা মরম ওইদুনা পাম্বীনা শীজিন্নবা ঙমহৌদবা ময়াম অমা অরেম্বদা মাঙহল্লি। মরম অদুনা য়ুরিয়া অসি অমুক্তংদা য়াম্না চাইশিনবীবা য়াদে, মচিৎ-মচিৎ চাইবীবনা অরেম্বদা মাঙগদবা হারদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতা য়াওরিবা ফোসফরস অসিনা লৈবাক্তা লৈখিবা মফম অদুদগী লেংবা ঙমদে। মরম অসিনা পাম্বীগী মরানা য়ৌগদবা/লৈগদবা লৈবাক মনুংদা খোইজিনবীবা হায়বসি তঙাইফদবনি। অমরোমদা পাম্বী অমগী চাথোক হেন্না ফংনবগীদমক পাম্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা মরূ-মরা শেমগৎপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইবনা পাম্বীনা থাদ্রিঙৈ মতমদা লৈবাক্তা হাপ্পীবা হায়বসি তঙাইফদবনি।

ম্যুরেট ওফ পোটাশনা পাম্বীদা পীরিবা পোটাসিয়ম অসি লৈবাক্তা কা হেন্না চৎকনবা অমসু নত্তে অদুগা লৈখিবা মফম অদুদগী লেংদবা অমসু নত্তে। মরম অদুনা শরুক খরনা পাম্বী থাদ্রিঙৈদা অদুগা শরুক খরনা পাম্বী থাখ্রবা মতুংদা চাইবীগনি।

ফৌ পাম্বীদা করম-করম্বা হার মখলশিং কয়া য়াম্না চাইগদবগে হায়বসি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরবা মতমদা হায়বা ঙমগনি। অদুবু চাংচৎতা মণিপুরগী ফৌ থানরিবা তম্পাক্কী অয়াম্বা শরুক্তা য়ুরিয়া ৩৫-৪০, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট ৬৫-৭৫ অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশ ১৩-১৭ কেজি লৌ শঙম খুদিংদা চাইবীবা য়াই হায়না পানরি।

**হার চাইবগী মওং, মতম অমদি চাইবীগদবা চাং :-** অরিংবা লৌফমগীদমক লৌ লিংনবা অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঙৈগী মমাঙদা সিঙ্গল সুপর ফোসফেটকী অপূনবা (৬৫-৭৫ কেজি) শরুক য়ুরিয়া কেজি ১৭.৫-২০ অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশ কেজি ৮-১০ ফাওবা শঙম অমগী লৌফমদা চাইবীরবা মতুংদা খোইজিনবীগনি অমদি লৌ লীংনবা শেম শাবীগনি।

অনীশুবদা :- ফৌ লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ ২৫-৩০নিশুবা মতম অসি ফৌনা মচা য়াম্না পোকপা মতম ওইবনা নাইত্রোজেন অমদি অতৈ পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং চাং য়াম্না ৱাংনা চঙই। মরম অসিনা হায়রিবা মতম অসিদা য়ুরিয়া কেজি ৮.৫-১০গুম্বা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা চাইবীগনি।

অহুমশুবদা :- ফৌ লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ ৫৫-৬০নিশুবদা ফৌ অয়াম্বা মমি তম্লকপা হায়বদি চরোং শেম্বা হৌরকপা মতমনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মতম অসিদা য়ুরিয়া কেজি ৮.৫-১০ অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশ কেজি ৫-৭ ফাওবগী চাং অসি লৌ শঙম অমগী লৌফমদা চাইবীগদবনি।

অসুম্না হারগী খল চানা, মতম চানা অমদি মওং চুম্না চাইবসিনা হার চঙবগী চাং হন্থহল্লি। ঐখোয়গী অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিনবগী চাং হন্থহল্লি। পাম্বীশিং মশা-মউ ফনা থম্বা ঙমহল্লি। লায়না-তীলনাদগী ঙাকথোকপদা মতেং ওইহল্লি, লৈবাক লৈহাও থুনা মাঙশিল্লকপদগী কনবা ঙম্মী। ●

@1.80 % অপীকপা শেন্দোইদা @1.80 %
সনা Bandhop লৌজরি
ঙসি মালেমগী ওইনা Covid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানারবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।
- সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।
- শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খক্তনি।
- করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বীখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপিরগা, ঐখোয়গী অপীকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।
@1.80 % Only.
For details, Please contact,
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
7085917479
HL-B/6250/4/7-28/7

FREE ONLINE CLASSES
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/3235/27/06 to 26/07

VIMIT
VIBGYOR INSTITUTE OF MANAGEMENT AND INFORMATION TECHNOLOGY
SANGAIPROU, FCI ROAD, OPP. MSPDCL OFFICE, IMPHAL WEST
ADMISSION OPEN
FOR THE ACADEMIC SESSION 2020-2021
Affiliated to Manipur University
BBA Eligibility 10+2 BCA
(BACHELOR OF BUSINESS ADMINISTRATION) (BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)
THREE YEARS DEGREE COURSES WITH DUAL CERTIFICATION
Prospectus/ Form available during office hours on any working days
Please contact: 9612333542/7005847770
Email-vimitimphal@gmail.com
www.vimitimphal.com
Sd/-
Dr. M. Biren Singh
Director, VIMIT, Imphal
HL-P/7330/16 to 30 july